# ঈ দিনা ত্রিনামুলগী লুচিংবা অভিসেক বেনর্জি সমন তৌখ্রে
# বি জে পিনা ওপোজিসন লিদরশিংবু মরাল শিনবা হোৎনরি ঃ সৌগাতা রোই



কোলকতা, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :
সেন্তরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী ওপোজিসনদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা চথুরকপা কিহন খঙহনবগী শরুক অমা ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী মচাশিং থোকপা পার্টি অসিগী লুচিংবা অভিসেক বেনর্জিগী মথক্তা ঈ দিনা কোয়লাগী ৱাথোক্কা মরী লৈনবা কেস অমগীদমক সমন তৌরকখ্রে হায়না ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌওং অসি য়াবা ঙম্লোইদবা অমনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর সৌগাতা রোইনা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মথক্তা চথুরক্লিবা থৌওংশিং অসি য়াবা ঙম্লোইদবা ঙাক্তনি। রুলিং পার্টি ওইবগী খুদোংচাবা লৌদুনা বি জে পিনা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিংবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। ঙরাং অয়ুক অঙনবদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি অভিসেক বেনর্জিবু কোয়লাগী ৱাথোক অমগা মরী লৈননা ঈ দিগী ওফিসতা লাক্নবা খঙহল্লকখিবনি।

বি জে পিগী লুচিংবা কয়া তোঙান তোঙানবা মখলগী স্কামশিংদা চেন্নরি। অদুবু হায়রিবা মশক মমিং লৈরবা লৈবাক ৱাথোক ওইখিবা থৌদোকশিংদা চেন্নরিবা বি জে পিগী লুচিংবশিং অসিগী মথক্তদি ঙসি ফাওবদা এজেন্সী অমত্তনা ৱাহং পাউহং তৌবা নৎত্রগনা সমন তৌবা লৈত্রি। মরোমদোম থবক তৌদুনা লৈবাক অসিদা অচুম অরান থিদোক্লবগীদমক লৈরিবা ঈ দি অমসুং সী বি আই অনীমক বি জে পিগী মখাদা লৈখ্রে। পোলিটিকেলগী ওইবা লান্দা বি জে পিনা ত্রিনামুল কোংগ্রেস মায়থিবা পিবা ঙম্লোই হায়বা খঙবদগী ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিংবু খুৎলায় ওইবা শীজিন্নরকপনি হায়রি।

সৌগাতা রোইনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ৱেষ্ট বেঙ্গল খক্তা নত্তনা দেল্লিদা লৈরিবা নন বি জে পি গভর্ণমেন্ট অসিবু ইস্তুনবগীদমক বি জে পিনা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সশিং কয়ারক হন্না শীজিন্নখিবা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। অদুম ওইনমক এজেন্সীশিং অসিনা বি জে পিগী মায়োক্তা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অসিগী মায়োক্তা চার্জ কয়া তৌদুনা রেদ চথুরবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। অমরোমদা বি জে পিগী লৈঙাক অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়াদ্রবা লৈঙাক অমা ওইরে। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সনদা মীয়াম্না পারা তন্বীরসি হায়না আপিল তৌরক্লি।

পনবা য়াবদি, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবী ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী চীফ মমতা বেনর্জিনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা বি জে পিবু হুন্দুনা ঙাঙখি। নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক্লা টি এম সীগী মেম্বর কয়া য়ুম্ফম য়াওদবা মরালশিং পীশিন্দুনা ফাজিন্দুনা থল্লি হায়না নুপী লুচিংবী অসিনা মরাল শিখিবনি।

# কুমজা ২০২১ গী ওইনা রাজস্থানদা রেপ কেস খ্বাইদগী হেন্না থোকখি ঃ রিপোর্ট



জয়পুর, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী ওইনা হৌখিবা কুমজা ২০২১ দা রেপ কেস খ্বাইদগী হেন্না থোকখিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা রাজস্থাননা মকোক ইথং থংবদা লৈবগা লোয়ননা কুমজা ২০২০ দা থোকখিবা রেপ কেসকী চাংদগী কুমজা ২০২১ দা থোকপা রেপ কেসকী চাং চাদা ১৯ গী চাংদা হেনগৎখি হায়না নেসনল ক্রাইম রেকোর্দ ব্যুরোগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

মমাঙ চহীদা লৈবাক অসিগী ওইনা পুন্না রেপ কেসকী থৌদোক ৩১,৬৭৭ থোকখি হায়না ওফিসল ওইনা রেজিষ্টর তৌরকপা লৈখি। মদুগী মনুংদা ৬,৩৩৭ তি রাজস্থান খক্তদা থোকখিবা কেসনি। মদুগী মতুংদা উট্টর প্রদেশনা রেপ কেস অনীসুবদা লৈরি। ষ্টেট অসিগী ওইনা মমাঙ চহীদা রেপ কেসকী থৌদোক ২,৮৪৫ থোকখি হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা রাজস্থানদা রেপ কেসকী থৌদোক ৩,৩০৫ থোকখি। ২০১৮ দা ৪,৩৩৫; ২০১৯ দা ৫,৯৯৭ অদুগা ২০২০ দা রেপ কেসকী থৌদোক ৫,৩১০ থোকখি। অদুগা মমাঙ চহীগী ওইনা ষ্টেট অসিদা ওইনা রেপ কেসকী থৌদোক ৬,৩৩৭ থোকখিবনি।

মমাঙ চহীদা লৈবাক অসিগী ওইনা নুপী অমদি অঙাংদা চথুবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা পুন্না কেস ৪,২৮,২৭৮ রেজিষ্টর তৌরকখি। রেপ কেসতা রাজস্থাননা লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী মশিং হেল্লবসু নুপী অঙাংদা চথুবা ক্রাইমশিংগী ওইনদি উট্টর প্রদেশনা মশিং খ্বাইদগী য়াল্লি। মমাঙ চহীদা উট্টর প্রদেশতা নুপী অমসুং অঙাংদা চথুবা ক্রাইমগী কেস ৫৬,০৮৩ রেজিষ্টর তৌরকখি অদুগা রাজস্থানগী ওইনা ৪০,৭৩৮ রেজিষ্টর তৌরকখি হায়রি। নুপী অঙাংদা চথুবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা মহারাষ্ট্র অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলনা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবদা লৈরি হায়না নেসনল ক্রাইম রেকোর্দ ব্যুরোগী রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

# য়ু অমসুং এদ্যুকেসনবু এ এ পিনা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরি ঃ বি জে পি

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :
দেল্লিদা লৈরিবা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা য়ু অমদি এদ্যুকেসনবু মখোয়গী খুৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা লৈরে হায়না বি জে পিনা মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা দেল্লিগী মীয়াম্না স্কুলশিং পীনবা লাউরি অদুগা দেল্লিগী গভর্ণমেন্টনা য়ুগী দুকানশিং ওইনা পীনবা হোৎনরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

বি জে পিগী ৱাঙাঙলোয় সাহাজাদ পুনাৱালানা ফোঙদোকখিবদা দেল্লিদা লৈরিবা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী লৈঙাকনা লিকর মফিয়াশিংবু য়োকখৎনবা হোৎনরি। য়ুনা মরম ওইরগা দেল্লিদা মীওই কয়া শিহল্লি হায়বসি লৈরিবা লৈঙাক অসিনা খঙলবসু খঙশিন্নদবা শাদুনা অনৌবা লিকর পোলিসি অমা শেম্নবা হোৎনরম্বগী ৱাথোক লৈখ্রে। মসিগী মথক্তা দেল্লি গভর্ণমেন্টনা হান্না লৈরম্বা স্কুলশিংগী টোইলেটশিংবু ক্লাসরুম ওইনা ওন্থোকপগী থবক চথুরে হায়নসু মরাল শিরি।

# গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমা লৌমীশিংনা পোষ্টতা পুন্দুনা থমখ্রে

মোটিহারি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :
বিহারগী মোটিহারিদা গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমা খোয়শাওনরবা লৌমীশিংনা হার মরাং কায়না ফংহনদে হায়দুনা পোষ্ট অমদা পুন্দুনা থমখ্রে হায়না তোঙান তোঙানবা রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না লৌমীশিংনা পোষ্টতা পুন্দুনা থমখিবা ওফিসল অদুগী মমিং নিটিন কুমার কৌই। মহাক এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা কিষান শলাকারগী এদভাইজর ওইনা থম্বা মীওইনি। লৌমীশিংগী ক্লেম মতুংইন্না গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা লৌমীশিংনা শীজিন্ননবা হার মরাং কায়না ফংহনদ্রে অমদি ব্লেক মার্কেটতা অতাঙবা মমলদা য়োন্দুনা লৈরে। নিটিন কুমার কৌবা গভর্ণমেন্ট ওফিসল অসিনা লৌমীশিংদা ফংহনফম থোকপা মমলদা হারশিং ফংহনবগী মহুত্তা অতাঙবা মমলদা য়োন্নবা হোৎনরকপদগী লৌমীশিংগা নিংঙাই শঙদাইনবা থোক্লকপদগী মহাকপু পুন্দুনা থমখিবনি হায়রি।

# রাহুল অমসুং প্রিয়াংকা গান্ধীনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা তকশিনখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :
থা অসিগী ২৩ দা ঝরখন্দগী দুমকা দিষ্ট্রিক্টতা ক্লাস ১২ তল্লিবী মহৈরোয় নুপীমচা অমবু শরুখ কৌবা নুপা অমনা নুংশি হায়না ফোঙদোক্লুবদা য়ারক্তে হায়বগীদমক মৈ থাদুনা হাৎখিবগী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইগী মথক্তা লোগী ওইবা এক্সন অথুবা মতমদা লৌখৎনবা রাহুল গান্ধী অমসুং প্রিয়াংকা গান্ধী ভদ্রনা তকশিনখ্রে।

পনবা য়াবদি থা অসিগী ২৩ দা শরুখ কৌবা মীওই অসিনা লৈখিদ্রবী নুপীমচা অসিদা নুংশি হায়না ফোঙদোক্লুবদা নুপীমচা অসিনা য়ারকখিদে। নুমিৎ অদুমক্তদা নুপা অসিনা লৈখিদ্রবী নুপীমচা অদুবু ময়ুম তান্না তুমিন্না ইন্নখি। নুংথিল ফরকমী কা হেন্না লৈতবা মতমদা নুপীমচা অদুনা মাগী কাদা পোথারিঙৈদা নুপা অদুনা থোঙনাওদগী পেট্রোল হৈজিন্দুনা নুপী অদু মৈ থাখিবনি। নুপীমচা অদু খুদক্কী ওইনা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি অদুবু অশোকপনা মরম ওইরগা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

# লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা জম্মুদা গুলাম নবি অজাদকী অহানবা পব্লিক মিটিং পাঙথোক্লগনি

জম্মু, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :
মমাঙ চয়োলদা কোংগ্রেস পার্টিদগী পোত্থাখ্রবা লৈবাক অসিগী হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবা গুলাম নবি অজাদনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা জম্মুদা অহানবা ওইনা মহাক মশাগী ওইবা পোলিটিকেল পার্টি অমা শেম্নবগীদমক পব্লিক মিটিং অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেস পার্টিদা চহী ৫০ রোম থবক তৌদুনা লাকখ্রবা অদুবু পেন্দবা খরনা মরম ওইরগা মমাঙ চয়োলদা পোত্থাখ্রবা গুলাম নবি অজাদনা ফোঙদোকখিবদা জম্মুবগী সৈনিক কোলোনিদা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা পব্লিক মিটিং অসি মহাক্কী ওইনদি য়াম্না মরু ওই। কোংগ্রেসতগী তোক্লবা মতুংদা মহাক মশাগী ওইবা অনৌবা পার্টি অমা অথুবা মতমদা শেম্লগনি। অনৌবা পার্টি অসিগী অহানবা য়ুনিট অসি জম্মু অমসুং কাস্মিরদা শেমগনি হায়রি। জম্মু অমসুং কাস্মিরগী মীয়াম্না মহাকপু থাজরি হায়না লৌরি। অদুম ওইনমক পাঙথোক্কদৌরিবা পব্লিক মিটিং অসিদা মীয়ামগী ওইবা ৱাখল্লোন অদু শুংশোয় শোয়দনা উবা ফংলগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, গুলাম নবি অজাদনা কোংগ্রেস পার্টিদগী তোকখ্রবা মতুং পার্টি অসিদগী তোঙান তোঙানবা সিনিয়র লিদর ৬৪ পোত্থাখ্রে। পোত্থাখ্রবশিং অদুগী মনুংদা জম্মু অমসুং কাস্মিরগী হান্নগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর তরাচান্দ, হরিয়ানাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ভুপিন্দর হুদা, মহারাষ্ট্রগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর পৃথিবীরাজ চৌহান অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অনন্দ শর্ম্মানি।

# কোভিদকী অনৌবা কেস ৫,৪৩৯ থেংনখি ৩০ শিখি

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৫,৪৩৯ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৩০ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৫,৪৩৯ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৪,২১,১৬২ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৬৫,৭৩২ দা হন্থখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৩০ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৭,৮২৯ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৬৬ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.১৫ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা লায়চৎ অসিনা শোকহনবা মী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি। মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ ২১১.৬৬ কাপখ্রে। মখা তানা কাপথোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

অমরোমদা লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ ক্রোর ২১২.৭১ কাপখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

# ‘টেরোরিষ্টশিংনা হাৎখিবা মশিংদগী মাওইষ্ট খক্তনা হাৎপা মশিংনা হেনখি’



ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :
মমাং চহীগী ওইনা লৈবাক অসিদা টেরোরিষ্টশিংনা হাৎখিবা পুলিস মশিংদগী লেফ্ট ৱিং এক্সট্রিমিষ্ট (মাওইষ্ট) খক্তনা হাৎখিবা পুলিস মশিংনা হেল্লি হায়না নেসনল ক্রাইম রেকোর্দ ব্যুরোগী চহীগী ওইবা রিপোর্ট ক্রাইম ইন ইন্দিয়াগী দাটা অমনা হায়রি।

দাটা অসিগী মতুংইন্না মমাঙ চহীদা মাওইষ্ট নত্তবা অতোপ্পা লালহৌবশিংনা পুলিস পর্সনল ১৮ হাৎখি। অদুগা মাওইষ্ট খক্তনা পুন্না পুলিস পর্সনল ৪০ হাৎখি। অমরোমদা ঙমখৈগী শরুক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা পুলিস পর্সনল ১১ শিখি, মীয়ামগী ইহৌ নমথনবা হোৎনবদা পুলিস পর্সনল ১ শিখি। ক্রিমিনেলশিংনা চথুরকখিবা এটেক্তা পুলিস পর্সনল ১১ শিখি অদুগা ৭ অমনা লাইবক থিবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা শিহনখি। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা লালহৌবশিংনদি পুলিস পর্সনল অমত্তা শোকহনখিবা লৈতে হায়রি।

মমাঙ চহীদা তোঙান তোঙানবা থৌদোক্তা শিখিবা পুলিস পর্সনল ৪২৭ কী মনুংদা কোন্সটেবল ২৩৩, হেদ কোন্সটেবল ৮৮, এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর ৩৭, সব ইন্সপেক্টর ২৬, ইন্সপেক্টর ৪, গেজেটেদ ওফিসর ১ য়াওরি। হায়রিবা মতম অসিদা পুন্না পুলিস পর্সনল ১৬৩২ অশোক অপন নঙখি। লৈবাক অসিগী ওইনা মমাঙ চহীদা পুলিস পর্সনল খ্বাইদগী মশিং য়াম্না শিখিবা ষ্টেট অসি তামিল নাদুনা ওইরি। ষ্টেট অসিদা রোদ এক্সিদেন্টতা পুলিস পর্সনল ৫৬ শিখি। অদুগা ক্রিমিনেলশিংনা ২ হাৎখি। শতিসগরগী ওইনা মাওইষ্টনা পুলিস পর্সনল ৪০ হাৎখি। অদুগা রোদ এক্সিদেন্টতা ৭ শিখি হায়রি।

# সসি থারুর কোংগ্রেস প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইরবা য়ারে

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) :
চহী অসিগী ওক্টোবর ১৭ তা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা কোংগ্রেস পার্টিগী অনৌবা লুচিংবা খনবগী মীখলদা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা থিরুভনন্থপুরমগী এম পি সসি থরুরসু প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইরবা য়াই হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।

সসি থরুরনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট খনবগী ইলেক্সন অসি ফ্রি এন্দ ফ্যের ওইহন্নিংই হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং রিপোর্টশিং অসি লাকখিবনি। রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না সসি থরুরগী মায়কৈদগীদি মহাক কোংগ্রেস প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইগনি নৎত্রগা ওইরোই হায়বগী চপ চাবা ৱাফম মীয়ামদা খঙহনবা লৈত্রি। অদুম ওইনমক পার্টি অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা হান্নগুম মপাঙ্গল কনবা পার্টি অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা ওইহনগনি হায়না ঙসি ফোঙদোকপদি লৈখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মহাক পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট ইলেক্সন অসিদা মীরেপ ওইরবা য়ানা লৈ হায়রি।

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER THOUBAL/VII, GOVT. OF MANIPUR

**Ref :- Mutation. Case No. 544/AS&SO/VII Dated:- 25/08/2022**

1. Thingujam (O) Victoria Devi W/o Th. Ojit Singh of Amureijam Leikai Kiyam Siphai.
2. Th. Michael Singh S/o Th. Ojit Singh of - do -
3. Th. Ongbi Muhini Devi W/o Th. Ingocha Singh of - do -
4. Th. Bidyashwor Khuman S/o Th. Ingocha Singh of - do -
5. Thingujam Lokeshwor Singh of - do - -Applicants

-Vs-

(L) Thingujam Lukhoi Singh S/o Th. Tomba Singh of Kiyam Siphai. -OPP

ꯈꯣꯡꯒꯟꯗꯦ / **NOTICE**

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২-কিয়াম সিফাই পাট্টা নং ২৯৫ (অরিবা) ২৭২ (অনৌবা) দাগ নং ২৮৩/৩৭২ এরিয়া .১১৩০ হেক্তের চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাটাদার নং ১ শুবা মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাটাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিশিং অসিদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চেদা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি নৎত্রবদি মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই, কেস মখা চথগনি।

**Sd/- M.Ningthembi Singh**
**Asst. Survey & Settlement Officer/VII**
**Govt of Manipur**

HL-P/3991/31

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR

**Ref :- Mutation. Case No. 545/AS&SO/VII Dated:- 25/08/2022**

Naorem Bimolata Devi W/o N. Surchandra Singh of Thoubal Kiyam Siphai Wangmataba. -Applicant

-Vs-

(L) Asem Ongbi Sorokhaibam (N) Khomdon Devi W/o (L) Asem Khomei Singh of Kiyam Siphai. -OPP

ꯈꯣꯡꯒꯟꯗꯦ / **NOTICE**
29/08/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২-কিয়াম সিফাই পাট্টা নং ১৪৩ (অরিবা) ১৬৫৭ (অনৌবা) দাগ নং ২৫৯৯ এরিয়া .০২৪৫ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাটাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাটাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি নাওরেম বিমোলাতা দেবীদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌরোই।

**Sd/- M.Ningthembi Singh**
**Asst. Survey & Settlement Officer**
**Thoubal, Govt of Manipur**

HL-P/3991/31

ꯁꯥꯂꯥꯏꯒꯤ URGENT JOB VACANCY
Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance)

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | Helper (female) | Rs. 8000-10000 | 20 | NIL |
| 3 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 8000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 4 | Security Guard (M/F) | Rs. 7000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 5 | Cook/ Chawkidar | Rs. 7000 - 20000 | 10 | VIII/X/XII |
| 6 | Gunman/ Armguard | Rs. 10000-20000 | 10 | VIII/X/XII |
| 7 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 8 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 9 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |
| 10 | Assistant Staff | Negotiable | 10 | XII & Above |

Vacancy at North East India (Male/Female)

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking staff (26yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |

Airport Job Vacancy For All India, 100% Job Placement

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1 | C.S.A. | Rs. 60K | 20 | Graduate |
| 2 | VIP Lounge Staff | Rs. 70K | 15 | XII/Grad |
| 3 | Asst. Staff | Rs. 40K | 20 | XII/Grad |
| 4 | Cargo Loader | Rs. 13-19K | 20 | X/XII/Grad |

Last Date of Submission : 09/09/2022
For More Information Please contact
Offcie Timing : 10:30 am to 3:00 pm
# 7641836503 / 8794793684
Salai Unemployment Service Centre
Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking
HL-P/3695/18.20.21.24.26.28.31.2.5.7



HL-P/3658/12/8-12/9



HL-B/7784/ 5/8 (Alt 30 days)